HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



জুন ১০, ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক শেমদ্রবদি মণিপুরদা এম এল এশিং খোঙ্গুল তাবা য়ারোই হায়না খুরাই অপুনবা মৈরা পায়বী লূপকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. কে ইবেম্মনা লাউথোকখিবা


থম্মোয় পাউদম : লৈতাদবনা চরাঙনহল্লবা ৱাখল ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ উমোরোক পান্বীদা বেক্টরিয়ানা থোকহনবা খুইথবী লায়না
কুকুরবিটশিংদা তাগনবা লায়নাশিং ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ এ টিগী মেম্বর কানন য়াওনা ৪ ফাজিনখিবগী ...
পি এম মোদিনা থৌশাদবদগী মণিপুরগী মীয়াম অৱাবা... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়র্স : নেদরলেন্দসনা ফিনলেন্দ...


অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মরু ওইবা তেঙ্গোল্লোই অসেম কানন য়াওনা মীওই মঙা ফাজিনখিবগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা চঙশিল্লক্লিবা মণিপুর বন্দ মনুংদা মোইরাংখোমদা বন্দ শৌগৎপশিংনা টায়র মৈ থাখিবা



Vol. 49, Issue No. 069 | নিংথৌকাবা, ইঙাগী ১৩নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, June 09, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# এ টিগী বন্দ খম থেংনা কল্লে, সিক্যুরিটিনা লাকশিনবা ঙমদ্রে, তম্পাক্কী মফমশিং শলাক শারে

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং উরিপোক সোরবোন থিঙেলদা লৈবা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মরু ওইবা তেঙ্গোল্লোই অসেম কানন অমসুং মহাক্কা লোয়নবা ৪ য়াওনা পূন্না তেঙ্গোল্লোই ৫ পুলিসনা ফাখিববু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা তম্পাক্কী মফম কয়াদা মরু ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এরিয়াদা তেঙ্গোল্লোইশিংনা মীয়ামগা লোয়ননা য়ানীংদবা খোঙজং চঙশিনবা হৌরক্লবা মতুং ঙরাং নোংয়াই মতুং পুং ১.০৭ তারকপদা পাউমীশিং য়াওবা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী ৱাটসএপ গ্রুপ অমদা খুদক্তগী নুমিৎ ১০নিগী বন্দগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রবা মতুং এ টি হেদ ক্বার্টরদগী মশক নাইবা তেঙ্গোল্লোই অমনসু পাউচে অসিদা নোংয়াই মতুং পুং ১.২৪ তারকপদা টেলিফোন তৌরক্তুনা বন্দগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না খঙহল্লক্তুনা মীয়ামসু খঙনবা পাউচেদসু হাপ্লবা হায়রকপগা লোয়ননা বন্দগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ূক্তগী হৌরদুনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট য়াওনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিং ওইরিবা বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচীংগী তোঙান তোঙানবা মফমদসু নুপীশিং য়াওনা মীওই কয়া থোক্লরক্তুনা খোঙজং অসি শৌগৎনরকখি। দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা লৈবা নেশনল অমসুং ষ্টেট হায়ৱেশিংদা উ-ৱা, নুঙনচিংবা পৈশিন্দুনা থিংখি। লম্বী ময়ায়দা ফমজিন্দুনা থিংবসু য়াওখি। অদুগা মফম খরদনা লম্বীদা উ-ৱা অমদি টায়রনচিংবা মৈ থাদুনা অচৎ-অওক তৌবশিং থিংখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## গভর্ণরনা ওইরক্লিবা মণিপুরগী সিক্যুরিটিগী ফীভম রিভিয়ু তৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২০দা উখ্রুলদা হৌদোকখিবা শিরুই লিলী ফেষ্টিবেলগী পাউ লৌবা চৎপা পাউমীশিংবু তোংহনখিবা বসতা 'মণিপুর' থাবা য়ারোই হায়দুনা সিফাইশিংনা থিংলকপগী ৱাথোক লোইশিন্দ্রিঙৈদা ঈশিং-ঈচাও অমুক মায়োক্ল রক্তুনা মফম খরদা মীয়াম্না হা-কার লাউনরিঙৈদা ঙরাং পুলিসনা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মরু ওইবা তেঙ্গোল্লোই ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## পুলিসনা হায় : ক্রোস-বোর্দর আর্ম স্মাগ্লিং য়াওনা ক্রিমিনেল এক্টিভিটিশিংদা চেন্নবদগী সী বি আইনা ফাবনি

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং উরিপোক সোরবোন থিঙেলদগী অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মরু ওইবা তেঙ্গোল্লোই অসেম কানন য়াওনা পুলিসনা তেঙ্গোল্লোই ৫বু উরিপোকক্কী ইবোতোনসনা গর্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলগা থংননা লৈবা ওইল পম্প ময়াদগী ফাখিবা থৌদোক্কী মতাংদা ঙসি নুমিদাং পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## সী বি আইনা হায় : অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মেম্বর ১ জুন ৮, ২০২৫দা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী ফারে

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী খূৎপু অমনা উরিপোক্তগী অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মরু ওইবা তেঙ্গোল্লোই অমা অমসুং মহাক্কা লোয়নবা মরি পূন্না তেঙ্গোল্লোই মঙা ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা ঙসি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেশন (সী বি আই) গী ইনফোর্মেশন সেক্সনদগী থোরকপা ওফিশল ওইবা চেরোল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## অরাম্বাই তেঙ্গোল্লোইশিং থাদোকহন্নবা এম এল এ ২৫না গভর্ণরদা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মরু ওইবা থৌমী অসেম কানন অমসুং অতোপ্পা তেঙ্গোল্লোই ৪ পুলিসনা ফাজিনখিবগী মায়োক্তা ঙসি বি জে পি, কোংগ্রেস অমসুং এন পি পিগী এম এল এ ২৫না গভর্ণর এ কে ভল্লা রাজ ভবনদা উনদুনা তেঙ্গোল্লোইশিং কন্দশন অমত্তা য়াওদনা থাদোকহন্নবা তকশিনখ্রে। ...মখা লমায় ৬ কলম ৪

## লৈঙাক্কা ৱারী শানরগা ৱারোইশিন পুরক্লিংই : গুনি



অসেম কাননগী লোয়নবী

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** প্রসিদেন্টস রুলনা লৈঙাক্লি পঙহায়দা হায়রগা ফানীংবা মী পঙফাদা ফারি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এস দি সী ওফিস মৈ থারম্লে

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :**

ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৪৫ রোম তারকপদা অন্দ্রো পি এসনা কোল্লিবা য়াইরিপোক তুলিহলদা লৈরিবা এস দি সী ওফিসকী বিল্ডিং মশক খঙদবা মীওই খরনা পেট্রোল হৈজিল্লগা মৈ থারম্লে হায়রি।

থৌদোক অসিদা ওফিস অসিগী বিল্ডিংগী অয়াম্বা শরুক মৈ চাকখিবগা লোয়ননা বিল্ডিং অসিগী তোঙান তোঙানবা কাশিংদা থম্বা লোয়শঙ অসিগা মরী লৈনবা অমসুং মীয়ামগী দোক্যুমেন্টশিং তুম্না চাকখ্রে হায়রি।

থৌদোক থোকফমদা অন্দ্রো পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিনখি অদুম ওইনমক ওফিস অসিগী ফর্নিচরশিং য়াওনা দোক্যুমেন্ট অয়াম্বা মৈনা তুম্না চাকখিবদগী কনবা ঙমহৌদ্রে হায়রি।

## ফাজিনখিবশিং থাদোরক্ত্রবদি মৈ হৌরক্কনি হায়বসি গভর্ণরনা খঙবীয়ু : সৌবাম সোবিতা



**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** ফাজিনখিবা অরাম্বাই তেঙ্গোল্লোই মঙা কন্দিশন য়াওদনা অথুবা মতমদা থাদোরক্ত্রবদি মণিপুর পূম্বা মৈ হৌরক্কনি হায়বসি গভর্ণরনা খঙবীয়ু হায়না ক্বাকৈথেল অপুনবা মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট সৌবাম সোবিতানা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৬ কলম ১

## ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীংদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :**

অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মরু ওইবা তেঙ্গোল্লোই অমা য়াওনা পূন্না ৫ ঙরাং নুমিদাং পুলিসনা ফাজিনখিবদগী এ টিগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরকপদা মীয়াম্ন সু য়াওশিল্লক্তুনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মঙামক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকপদা নত্তনা ঙরাং অহিং নোংয়াই মতুংদগী মণিপুর পূম্বগী ওইনা বন্দগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবনা মরম ওইরদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## নুপামচা ১ রব্বর বুল্লেটনা পানবদগী লায়কন্নখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :**

ঙসি নুংথিল পুং ৩.২৫ রোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্টকী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা টিদ্দিম লম্বীগী কোঙ্গেংহজারি লৈকায়গী দোবি মচু লৈরক্তা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা বন্দ শৌগৎপশিংবু তানখায়নবা রব্বর বুল্লেট কাপ্পদা চহী ১৩দা ঙাইরিবা নুপামচা অমা ওই থংবা খোঙগী খোঙশা মরক্তা পান্দুনা শোকপদগী রিমসতা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

শোক্লবা নুপামচা অদুগী মমিং অরিশ হুইদ্রোম (১৩) অপোকপা মোনিশ হুইদ্রোম কৌই। নুপামচা অসিগী অপোকপী মমাসু শোক্তুনা রিমসতা লায়কন্নরি হায়রি।

## এসেমব্লিগী গেট ময়াদা খিনবা সী সী টিভি কেমেরাশিং থুগাইরম্লে

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :**

ঙসি নুমিদাং পুং ১০ হেল্লকপদা চীংমৈরোংদা লৈবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অনীশুবা গেট ময়াদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পোষ্ট য়ুংদুনা খিনবা সী সী টিভি কেমেরাশিং শকখঙদবা মীওই খরনা লাক্তুনা থুগাইরম্লে হায়রি।

অদুম ওইনমক কেমেরাশিং অসি করম্বা মীওইশিংনা করিগীদমক থুগাইরম্বনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ওফিশল ওইবা রিপোর্ট লৌনবগীদমক পাউচে অসিনা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেশন অমদি পুলিস কন্ট্রোল রুমদা টেলিফোন তৌরুবদা পায়খৎলকখিদে।

